TDC Even Semester Exam., 2017

# MANIPURI

( Pass )

( 4th Semester )

Course No. : MANP-401

( Novel and Short Story )

*Full Marks* : 50
*Pass Marks* : 17

*Time* : 2 hours

*The figures in the margin indicate full marks for the questions*

Answer **all** questions

১। ৱাহৈ অমা নত্রগা অনীদা পাউখুম পীয়ু : ১×১০=১০

(ক) জহেরানা মপুক্লিংগী ৱাফম কয়া তান্নজখিবী, লুনা তিন্নজখিবী নুপী অদু কনানো ?

(খ) জহেরাগী মাংনবা শীল্লবী পাঙন নুপীদু কনানো ?

(গ) কুঞ্জো ক্লাস কয়া ফাওবা তমখিবগে ?

(ঘ) কুঞ্জোনা অনাবী মমাগীদমক, কনাগী মফমদগী হীদাক লৌবা লাকখিবগে ?



( Turn Over )

WWW.SRCOLLEGE.AC.IN

(ঙ) কুঞ্জোনা অহেরাবু থাঙনা থিন্দুনা হাৎখিবা মফমদু কদায়দনো ?

(চ) কস্তুরীগগরেজগী মপু কস্তুরীলাল করি লমদগী লাকপনো ?

(ছ) চিয়ারমেন ফমগীদমক নোংথাংলৈমগী মপাবুংনা কনাবু পান্নখী ?

(জ) ওজা তোম্বনা প্রমোসন কাখিবা ফম অদু করিনো ?

(ঝ) "যমুনা! ঐ চৎলগে, নঙগী লুহোংগদৌবা খিত্তা ঙায়রে, মদুগীদমক্তা নঙবু চাক্কৌবা লাক্লিবনি।"

ৱাফম অসি কনানা হায়খিবনো ?

(ঞ) পোস্ট-মোর্টেম ৱারীমচাদা থোরী য়ান্দুনা শিরল্লিবী নুপীমচাদুগী মমাগী মমিং করি কৌই ?

২। মরী-মথোঙ তাক্লুনা শন্দোক্লা ইয়ু : ১০

"জাতিগী ধর্ম্মনা শাসনগী চৈবুন্না ইমুং-মনুংগী থোরিনা অমসুং ময়াম অসিনা পুনবা মাগী সংগনা মীওইববী লোইনরকপা পুক্লিংগী উইলবু কাইহন্নবগী মায়কৈ খুদিংদা থিংই।"

নত্রগা

৩। মরী-মথোঙ তাক্লুনা শন্দোক্লা ইয়ু : ১০

"সংসার অসিদা মচা ওইববী অফবা পাওবু তারগা স্বর্গ ফংইবনি, অদুক নুংঙাইববী মতিক ফত্তবা তারগা পাতানগী অমম্বা লোকনুংদা তারিবনি।"

ৱাহৈ-পরেং মরি নত্রগা মপ্তাদা পাউখুম পীয়ু :

৪। (ক) "—মসি ইমা লাইগুম্বা জাৎনি, বৃন্দা সতীনা ওনবনি হায়দো;—অদুদি ইবেম্মা সতী পাম্বী ওইরে।"

মফমসিদা 'ইমা' অমসুং 'ইবেম্মা' হায়রিবসি কনা-কনানো? 'সতী পাম্বী' হায়রিবসিনা করিবুনো, শন্নপ্না ইরম্মু। ২+৩=৫

(খ) জহেরা মৈতৈগী চৎনবীবু, কদায় ফাওবা পামজনা চৎখিবগে হায়বদু শন্নপ্না ইরম্মু। ৫

*নত্রগা*

৫। (ক) "অথদি খংদে, লুহোংবা নুপীনা নিপা ময়ুম চৎপদা কপ্পুনা চৎলি। চেল্লকপা নুপীনা কপ্পদি ঙসিদা মখংই।"

ৱাফম অসি কনানা-কনাদা হায়খিবনো? ৱাফম অসি হায়খিবগী ৱারী ৱাখোংশিং অদু ময়েক শেংনা ইরম্মু। ২+৩=৫

(খ) করি মরমদগী 'জহেরা' উপন্যাস অসি অৱাবনা পোল্লোই ওইরিবনো হায়বদু শন্নপ্না নৈনরম্মু। ৫

৬। (ক) 'ইন্সপেক্সন রিপোর্ট' মতমগী করপসন্দা যুম্ফম ওইবা ৱারীমচা অমনি হায়বসি ৱারীমচাদুদা পানশিন্দুনা ইরম্মু। ৫

(খ) 'নোংদি তারকখিদরে' হায়বা ৱারীমচাদা অইবনা উৎনিংলিবা ৱাখন্লোনশিংদু মরিক চুম্না ইরম্মু। ৫

*(Turn Over)*

নত্রগা

৭। (ক) "হনে! ইনেনা ঐবু নিঙোলনি হায়রগা তুমিন্না লৈরিবদু করি তৌরবগে?"

বাফম অসি কনানা, কনাদা হায়খিবনো? বাফম অসিগী নুংগী অর্থ শন্নপ্না ইরম্মু। ২+৩=৫

(খ) "নীংশিংলি পাবুংঙ। ঐনা হায়বা য়াবিখিবদুগীনি ঐনা পাবুঙবু খনখিদ্রিবা। নুংশিজবগী হায়রুবদি লাৎচরিবনি।"

বাফম অসি কনানা কনাদা হায়খিবনো? বাফম অসি করি মরমদগী হায়খ্রিবনো? ২+৩=৫

৮। "লাইরৈ হায়দুনা মীবু হেক্তা তুহৎপা য়াত্রা; অইন হায়ব'মা লৈরিবনি, অদুগুম্বা অইন্দুগী মমিওদি লায়রবা ইনাকখুনবা চপ মান্নে।"

বাফম অসি কনানা কনাদা হায়খিবনো? বাফম অসি কদায় ফাওবা চুম্মী, চুমদে হায়বসি নৈনরম্মু। ২+৮=১০

নত্রগা

৯। "ঐগী য়ুম্নুরেম্বা বাবু কস্তুরীলাল অচম্বা মী নত্তে, হৌজিক্কী মণিপুর অসিগা হৌদোকমিন্নরকপা অদুগুম্বা মীশক অমনি।"

'য়ুম্নুরেম্বা বাবু কস্তুরীলাল' কনানো? মগো মণিপুরগা হৌদোক-মিন্নরকপনি হায়বসিগী নুংগী ওইবা ৱারী ঈচেলদু নৈনরম্মু। ২+৮=১০

★★★



WWW.SRCOLLEGE.AC.IN